# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-12-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৩-১২-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরদা লৈরিবা পেট্রোল পম্পশিংদা সেক্যুরিতি নিংথিনা পীরগনি হায়না রাজ্য পুলিসনা থাজবা পীখ্রে।

২) ভারত অমসুং নিউজলেন্দগী মরক্তা ফ্রিট্রেদ এগ্রিমেন্ট চৎনরগনি।

**অমসুং**

৩) কেন্দ্রগী দোনর মন্ত্রি জোতিরাদিত্যা সিন্ধিয়া য়াওনা ঙরাং অহুমশুবা অৰাং নোংপোক লমদমগী হাই লেভেল তাক্স ফোর্সকী মীফম পাঙথোকখ্রে।

----

**পুলিস(এল)ঃ** মণিপুরদা লৈরিবা পেট্রোলিয়ম দিলরশিংগী তোঙান তোঙানবা রিতেল আউটলেটশিংদা সেক্যুরিতি নিংথিনা পীরগনি হায়না রাজ্য পুলিসনা থাজবা পীখ্রে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্যগী এদিসনেল দি.জি.পি(লো এন্দ ওর্দর), মরী লৈনবা জিলাশিংগী সেনিয়র

এস.পিশিংগা লোয়ননা প্রেত্রোলিয়ম দিলরস এসোসিয়েসন, মণিপুরগী মীওইশিংগা ঙরাং পুলিস হেদক্কাতর্সতা উনখ্রে। মদুদা, প্রোত্রোলিয়মগী রিতেল আউটলেটশিংদা মতিক চাবা সেক্যুরিতি থমগনি হায়না পুলিস বিভাগনা থাজবা পীখি। পুলিস মোবাইল টিমসু তোঙান তোঙানবা পেত্রোল পম্পশিংদা থমনবা অমদি এন্তি এক্সতোর্সন মেকানিজম হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবসু হোৎনরগনি হায়না পুলিসকী মাইকৈদগী ফোঙদোকখি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-পেত্রোল পম্পশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওই অনি পুলিসনা ফাখ্রে। মখা তানা থিবা হুম্বগী থবকসু চখুরি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি। তেংনৌপল জিলাদা ঙরাং চখুখিবা ওপরেসনদা ইম্প্রোভাইস মোর্তার ২ অমদি ব্রাকি তোল্কি সেট ৩ ফংখি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি জিলা অসিগী মচি পুলিস স্তেসননা কোনবা কোনাইতোং অমদি পেলয়াং চীংশাংদগী ফংখিবনি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবী মমাঙ লৈকাইদগী মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী কাদর অমা ঙরাং ফাখি। অদুগা, লালহৌলুপ অসিগী কাদর অমসু ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্ফেল পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা তাকয়েল কোলোম লৈকাইদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি।

**বুক ফ্যের(এল)ঃ** ৩২ শুবা হম্ফাল বুক ফিয়ারগী ঙসি ৯ নি চনবা নুমীৎতা ফঙ্কসনিং ওফ এন.জি.ও-ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন রন পাব্লিক লাইব্রেরিজ হায়বা হিরমদা কেপাসিতি বিল্ডিংগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি। বুক ফ্যের অসি হয়েং লোইশিনগনি।

**মসরুম (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি কিষান দিবস কম নেসনেল মসরুম ডে

পাঙথোক্কদৌরি। পালন অসিগী কুমশিগী হিরমদি মসরুম এজ ফঙ্কসনেল ফুডস হায়বসিনি। নুমিৎ পালন অসি আই.সি.এ.আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন.ই.ঐচ. রিজন মণিপুর সেন্তর লমফেলপাৎনা এ.আই.সি.আর.পি-মসরুম, এ.আই.সি.আর.পি ওন সিদ (ক্রোপস), এ.বি.আই, টি.এস.পি অমসুং মসিগী কে.ভি.কে মঙানা খুৎশমনা শিনবনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লমেফেলপাৎকী আই.সি.এ.আর কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদা লৌমীশিংগী মেলাদা মণিপুরগী চেঙ্গুম থাবা মীওইশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরশিংনা শরুক য়াগনি।

**রুপমহল (এল)ঃ** রুপমহল থিয়েটরগী ৮৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অমসুং ৩৪ মৈত্রম বিরা এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম ঙঙসি নুংথিল থিয়েটর অসিদা পাঙথোল্লগনি। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগা খুৎশমদুনা ২৪ শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিয়েল ড্রামা ফেষ্টিভেল হৌদোক্কনি অমসুং মণিপুরী ড্রামাগী চহি ১০০ শুরকপগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি।

**ৱেদর(এল)ঃ** সেনাপতি জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৬.২৬ য়ৌখি।

রাজ্যগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা পীবা ঙরাং ফাওবগী অইং আশাগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না উখ্রুল জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৭.০৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ৭.৪৮, কাংপোকপী জিলাদা ৮.১৩, বিষ্ণুপুর জিলাদা ৮.৬২ ওইখি।

**কোকোমি(এল)ঃ** চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা আই.দি.পিশিংবু মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিলহল্লু হায়দুনা পরিং নাইনা চত্থরকপা লম্বোই খোঙনাংখোঙগী ৱাকৎ মীফম ঙসিসু লেপ্তুনা চত্থরি। লোয়ননা, রাজ্যপাল অমদি চিফ সেক্রেটরিদা

কোকোমিগা লোয়ননা আই.দি.পিগী অপুনবা কাংবুনা পীবা মেমোরেন্দম ঙরাংসু পীশিনখি।

**মেছিন (এল)ঃ** নোনে জিলাদা লৈবা টেরিতোরিয়েল আর্মি য়ুনিট অমসুং হার্ট ফাউন্দেসন এন্দ রিসর্চ ইন্সটিট্যুসননা সঙাইথেল অমসুং কাচি খুলগী নুপীশিংদা ঙরাং ফি তুনবা মেছিন ১০ য়েন্থোকখ্রে। স্তিটচিং এ ব্রাইট ফ্যুচর হায়বা ফ্লেকসিপ প্রোগ্রামগী মখাদা মেছিনশিং অদু নুপীশিংবু শেন্তোক লৈহন্নবা পান্দমদা পীবনি।

**মোদিঃ** ভারত অমসুং নিউজলেন্দগী মরক্তা ঐতিহাসিক ওইবা অমসুং লৈবাক অনিদা কান্নবা পীগদবা ফ্রিত্রেদ এগ্রিমেন্ট(এফ.টি.এ) চৎননবা য়ানরে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং নিউজলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি খৃষ্টোফর লক্সনগা ঙরাং ৱারি শান্নদুনা এফ.টি.এগী মতাংদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- এগ্রিমেন্ট অসিগী মখাদা ভারত অমসুং নিউজলেন্দগী মরক্তা লাক্লিবা চহী ৫ দা লল্লোন ইতিক্কী চাং শরুক অনি হেনগৎনবা পান্দম থল্লি। মহাকা হায়-নিউজলেন্দনা লাক্কদৌরিবা চহী ১৫ দা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা দোলর বিল্লিয়ন ২০ থাদগদবা অসি ভারতনা তরামা ওকই। নিউজলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি লক্সননা এফ.টি.এ অসিনা নিউজলেন্দগী পোথোকশিং ভারত্তা পুশিল্লকপদা লৌরম্বা তেক্স চাদা ৯৫ হন্থগদবা য়ামা শিংথানিঙাই ওইবা এগ্রিমেন্ট অমনি হায়না ফোঙদোকখি। হীরম অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী কম্মর্চ এন্দ ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়ালনা নিউ দেল্লিদা পাউমীশিংদা হায়-মালেমগী জিওপোলিতিক্সতা লৈবাক অসিগী কুটনিতিগী মরুওইবা হেনগৎলক্লি হায়বদু এগ্রিমেন্ট অসিনা তাক্লি।

**সিন্ধিয়াঃ** কেন্দ্রগী দোনর মন্ত্রি জোতিরাদিত্যা সিন্ধিয়া য়াওনা ঙরাং অহুমশুবা অৱাং নোংপোক লমদমগী হাই লেভেল তাক্স ফোর্স ওন ইনফ্রাষ্ট্রকচর,

লোজিস্তিক কোষ্ট অমসুং কন্নেক্তিবিতিগী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা, ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি মনিক শাহ, মিজোরমগী মুখ্য মন্ত্রি লালদুহোমা, কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয় অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী সেনিয়স ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা, অৱাং নোংপোক লমদমদা লন্বী থোংগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী পায়খৎকদবা প্রোজেক্টশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি। মীফম অদুদা, ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি শ্রী মনিক শাহনা অৱাং নোংপোক লমদমদা কন্নেক্তিবিতি, ঙমখৈ লান্না লল্লোন ইতিক তৌবা, দিজিতেল অমসুং ফাইনান্সিয়েল মেকানিজমগী মতাংদা রোদ মেপ পুথোকখি। মহাকা অৱাং নোংপোক লমদমবু অমত্তা ওইনা চাউখৎহন্নবা কেন্দ্রগী মন্ত্রালয়শিং-রোদস এন্দ হাইৱেজ, রেলৱেজ, সিভিল এভিয়েসন, পোর্ট, সিপ্পিং এন্দ ৱাতরৱেজ, পৱর, আই.টি, তেল্লিকোম অমসুং পেত্রোলিয়ম অমদি নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়শিংনা চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপীনবসু তকশিনখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুর ইরাংগী মতাংদা আর.এস.এসকী লুচিংবগী ৱাফম পেত্রোল পম্প হাংদোকপগী খোঙজং হন্দোকখিবা অমদি এম.জি.নরেগাগী মতাংদা কংগ্রেসকী ৱাফমনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিলহনবদা মতম চংগনি লেপ্তুনা ৱারি শান্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা আর.এস.এস লুচিংবা মোহন ভগবৎকী ৱাফম-পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোঙলে। পাউচে অসিদা- মণিপুর ইরাং অসিদা তম্পাক্তগী খূৎলাই লিশিং ৪,৫৩৫, চীংদনা লিশিং ২,৫৮৪ ফাগৎখি হায়বা এক্সক্লুসিভ রিপোর্ট অমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা খূৎলাই লিশিং ৭,১১৯ লৌখৎপা ঙম্লে, মসিগী মনুংদা তম্পাক্কী মফমশিংদগী লৌখৎখিবা খূৎলাই চাদা ৬৩.৭০ ওইরি হায়বা পাউ অসি- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা- ঙমখে শন্বল থুদেক্লন্বগী ৱাথোক লৈরিঙৈদা শন্বল খাদনবা লৈঙাক্না য়ু.এন.সিগা ৱারি শান্নখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা, নাতৈ চাদবা কন্তেন্টশিং থাগৎলুবা জেল য়ৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

এম.জি.নরেগাবু ভি.বি.জি রাম জি হায়না থোনখিবা অসি মহাত্মা গান্ধিবু ইকাই খুমদবনি হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফম- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলে।

লূপা লাক্ষ ৯ হেন্না চংখিবা নম্বুল তুরেলগী রিজ্‌বিনেসন অমসুং কঞ্জরভেসনগী থবক লোইশিল্লে হায়বদগী কমপ্লিসন রিপোর্টতা পাঙথোকখি হায়বা থবক খরগী মতাংদা গভর্ণরদা ওপন লেতর অমা পীশিনখ্রে হায়বা পাউ অসি- হুইয়েল লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিসনর ওইরম্বা ওফিসর অমগী মথক্তা চিফ ভিজিলেন্স কম্মিসনরদা মখা তানা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- মৈতৈনা বফর জোন থুগাই হায়বগী মায়োক্তা কুকিশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে, তোখাইবা লৈঙাক পীদ্রিমখৈ ফ্রি মুভমেন্ট য়ারোই হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা মিল ৱার্ম তিন য়োক্তুনা মীয়ামদা কান্নগদবা পোথোক কয়া পুথোক্লে হায়বা এক্সক্লুশিভ রিপোর্ট অমসু এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

সেন্তরগা য়ু.এন.সিগা অমুক হন্না ৱারি শান্নখ্রে হায়বা পাউ অসি- মণিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- গভর্ণমেন্টনা থাজবা পীরকপদগী মণিপুর পেট্রোল্লিয়ম দিলরশিংগী খোঙজং হন্দোকখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**